# সী এ এগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনন অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা মহৈরোয় লূপশিংগী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) না সীটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) গী মায়োক্তা মখা তানা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নেসোনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা সী এ এ চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। সেন্টরগী ফিরেপ অসি হান্না লৈজরম্লবা য়েলহৌমীশিংবু মুখৎনবা হোৎনবনি। মশিং য়ামজদবা য়েলহৌমীশিংবু মশিং য়াম্বা




ফুরুপকী মীওইশিংনা লাকশিনখিবা হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফম্নি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সেন্টরনা হান্নদগী হৌনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট চল্লাইদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ওৎ নৈবগী থবকশিং চথুদুনা লাক্লি। মরক অসিদা সী এ এ অমুক ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী অচৌবা খুজিন থৌরাং অমা শোয়দনা লৈরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈরি। নেসোনা চহী কয়াগী মমাংদগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চল্লাইদুনা লাক্লিবা অফস্পা লৌথোক্লবা অমদি ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম মপুঙ ফানা চৎনহন্নবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু সেন্টরনা ঙসি ফাওবদা নেসোনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা লৈত্রি হায়রি।

পনবা য়াবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মহৈরোয় লূপ ৮ না পুল্লগা শেম্বনি। মহৈরোয় লূপশিং অদুদি ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু), খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু), গারো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জি এস য়ু), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ পি এস য়ু), মিজো জিরলাই পোল (মে জেদ পি), ট্রিপুরা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি এস এফ) অমসুং নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ) নি।



ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী মীওইশিংনা ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রমেন তরাম্না ওকখিবা

# মশাগী নুপী তমথিনা ফুদুনা হাৎনবা হোৎনরম্বা নুপা অমা পুলিসনা ফারে



আইজোল, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

মিজোরামদা মশাগী লোইনবী নুপীবু তমথিনা ফুদুনা হাৎনবা হোৎনরম্বা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা নুপা অমা পুলিসনা ফাবা ঙমখিবগা লোয়নননা ৱিমেন কম্মিসননা মহাক্কী মথক্তা সুও মোটো কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সিয়াহা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভি এল লুরা হোজেলনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকখিবা মতমদা মতে মনাও অনীমক য়ু ঙাওখি। মতে মনাও খৎনবগী ভিডিও অদু লাইভ ওইনা থেংনবদগী পুলিসনা মফম অদুদা খুদক্তা চঙশিন্দুনা নুপী অদুবু কনবা ঙমখিবনি। ভিডিও অদুদা নুপা অদুনা য়ু ঙাওরগা মহাক্কী নুপীদা ময়ানা চীকপা অমদি খোংপাক্লা কাউবা উখি। মতম অদুদা নুপী অদুগী মনঙ্গন্দা অপীকপা অঙাং অমসু পোবা উখি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা লালরামদিনসাঙানা ওফিসতগী হল্লকপা মতমদা মহাক্কী নুপী অদু ময়ুমদা লৈরমখিদে। মহাক্কী লোয়নবী অদু মহাক্কী ময়ুম মনাক নক্না লৈবা ইল্লিগেল ওইনা য়ু য়োনবা ইমুং অদুদা লৈরম্বা থেংনখি। মফম অদুদগী মখোয় অনী ময়ুমদা লাকমিন্নখি। অদুবু ময়ুম য়ৌরকপা মতমদা লালরামদিনসাঙানা মহাক্কী লোয়নবী অদু য়ু থক্লে হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি। লালরামদিনসাঙা মশাসু য়ু ঙাওরগা লাকখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী নুপীদা ওৎ নৈবগী থবক অদু চংথখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ৱিমেন কম্মিসননা থৌদোক অসি য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়নননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা লালরামদিনসাঙাগী মথক্তা কেস লৌখৎখিবগা লোয়নননা ভিক্টিম ওইরিবী মমা অমদি অঙাংবু ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখি

আইজোল, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখিবগা লোয়নননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৫,৪১৩ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৱঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ৩৪.১০ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ৭৮ থেংনখিবগা লোয়নননা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মী মশিং ৭১৭ তা লেংদনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৫,৪১৩ গী মনুংদা মীওই ২,৩৪,১১২ মপুঙ ফানা লায়না লায়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব কেস মশিং ৬৮০ লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা চৎনবা অপিল তৌরক্লি।

# ট্রিপুরা পুলিস হেদক্কার্টরদগী কেস ফাইল কয়া হুরানখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

য়াম্না তাংনা অমদি হেক তাবদা থাজরোইদবা থৌদোক অমা ওইনা ট্রিপুরা পুলিস হেদক্কার্টরদগী কেস ফাইল কয়া মশক খঙদবা মীওইশিংনা হুরানখ্রে হায়রি। অমরোমদা থৌদোক অসিবু জুদিসিয়ল ইনক্কারি তৌহন্নবা কোংগ্রেস পার্টিনা অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌখ্রে।

ট্রিপুরা কোংগ্রেস এম এল এ সুদিপ রোই বর্মননা ফোঙদোকখিবদা, ফাইলশিং অদু অচম্বা মীওইশিংনা হুরানবা ঙম্লোই। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগা নক্না চৎমিন্নরিবা পুলিস ওফিসরশিংনা শোয়দনা হুরানবা ওইগনি। হুরানখ্রে হায়রিবা ফাইলশিং অদুগী মনুংদা দ্রগ কেসতা চেন্নবা বি জে পি লুচিংবশিংগী ফাইলশিং য়াওরি। মসি অতম্লনা চংথবা থৌওং অমনি। নুঙ অমনা উচেক অনী হাৎনবা বি জে পিনা শান্নরকপা থৌশিলনি। মরম অদুনা হিরম অসি অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনগনি হায়রি।

# পুলিস কষ্টদিদগী মীওই ৩ নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

রেপ অমদি মর্দর কেসতা চেন্নবা মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই অহুম কোর্টতা পুথোক্লবা লাক্লবা মতুং হিয়ারিং চথদ্রিঙৈগী মমাংদা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মীওইশিং অদুদি রাজু বারুৱা এলাইজ গর্জা অমদি জাতিন তমুলি অমসুং সুনতি দাসনি। মখোয় অহুম ধাকুখনাগী সব দিভিজনেল জুদিসিয়ল কোর্টকী মমাংদা পুথোক্লবগীদমক পুরকখিবনি। অদুবু হিয়ারিং চথদ্রিঙৈদা মখোয় অহুম অদু কোর্ট হাউস অদুদা লৈবা টোইলেট মনুংদা চেনশিনখিবগা লোয়নননা টোইলেট অদুগী থোঙনাওদগী চোঙথোক্তুনা চেনখিবনি। পুলিসনা খুদক্কী ওইনা মখোয়শিং অদু ফানবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মীওই অহুম অদু ফানবগীদমক ষ্টেট পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিঙৈদা এ এ এস য়ুনা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

লক্ষিম্পুর, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখিবা অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক লৈঙাক অনীগী মরক্তা পোজিটিব ওইবা মওংদা ৱারী শাবগী থবক চথরিঙৈ মরক অসিদা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু) না লম্বী থিংবা য়াওনা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না অসামগী লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অরুনাচল প্রদেশকা তাইননা লৈবা রুপাহি রাজগর এরিয়াদা অরুনাচল প্রদেশতগী মশক খঙদবা মীওই খরা চঙশিল্লক্তুনা খুঙ্গং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা এটেক চথরকখিবনি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা অমুক হন্না চরাংনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি।

অমরোমদা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এ এ এস য়ুনা অসামদগী অরুনাচল প্রদেশ তম্না চৎলিবা মরুওইবা হায়ৱেশিং থিংজিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অনীগী মরক্তা তঙাইফদনা চখোক চৎশিন তৌগদবা খুদিংমক পন্দুনা লৈখি। তুংদা অরুনাচল প্রদেশ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রবা মতুং এ এ এস য়ুগী লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু হন্দোকখ্রে হায়রি।



রুপাহি রাজগর এরিয়াদা অরুনাচল প্রদেশতগী নহা মরি গাড়ি তোংদুনা মফম অদুদা চৎলম্বা থেংনখি। মদুদা ভি দি পিনা গাড়ি অদু খামদুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা মতুং মখোয় মরি অদু অমুক হলহনখি। অদুবু ইকান কান্নদনা নহা মরি অদুগা লোয়নননা অতোপ্পা মীওই ৪০ রোম লাক্তুনা এটেক অদু চথখিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3617



### ACROSS

1 Eye make-up (7)
5 Well done! (5)
8 Arab country (5)
9 Finger joint (7)
10 Astonish (7)
11 Exchanges (5)
12 Talented (6)
14 Delayed (4,2)
18 Wash vigorously (5)
20 Discernment (7)
22 Heraldic creature (7)
23 Considerable (5)
24 Inuit canoe (5)
25 Satisfied (7)

### DOWN

1 Wild horse (7)
2 Swagger (5)
3 Generally (2,1,4)
4 Japanese martial art (6)
5 Feeling of sadness or depression (5)
6 Causing inconvenience (7)
7 Portents (5)
13 Strengthen (7)
15 Greek letter e (7)
16 One requiring medical care (7)
17 Alfresco meal (6)
18 Jammed (5)
19 Obstruct (5)
21 Ravine (5)

Solution 3616




SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4018

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 5 | 4 | 6 | | |
| | | | | | | | | 8 |
| | | | | | 8 | 4 | 9 | 5 |
| 2 | | | | | | 8 | 6 | |
| | 9 | 4 | 1 | | 6 | 5 | 7 | |
| | 6 | 3 | | | | | | 1 |
| 7 | 3 | 6 | 4 | | | | | |
| 1 | | | | | | | | |
| | | 2 | 5 | 3 | | | | |

### Solution-4017

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 4 | 6 | 1 | 8 | 9 | 7 | 3 |
| 1 | 8 | 9 | 4 | 3 | 7 | 2 | 5 | 6 |
| 6 | 7 | 3 | 5 | 9 | 2 | 4 | 8 | 1 |
| 9 | 6 | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 8 | 3 | 2 | 9 | 5 | 6 | 7 | 1 | 4 |
| 4 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 9 |
| 7 | 4 | 6 | 3 | 2 | 5 | 1 | 9 | 8 |
| 2 | 5 | 8 | 1 | 6 | 9 | 3 | 4 | 7 |
| 3 | 9 | 1 | 8 | 7 | 4 | 5 | 6 | 2 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL IMPHAL RECRUITMENT 2022 FOR TGT (SOCIAL SCIENCE)

Sainik School Imphal TGT (Social Science) Recruitment 2022 Advertisement for the post of TGT (Social Science) in Sainik School Imphal. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Sainik School Imphal Recruitment 2022 TGT (Social Science) Vacancy 2022 details and apply online at the ssimphal.nic.in/ recruitment 2022 page.
Sainik School Imphal Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ ssimphal.nic.in/. Sainik School Imphal selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of ssimphal.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
TGT (Social Science)
Job Location:
P.O. Pangei Yangdong, Imphal East, 795114 Manipur
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification: Candidates Should Possess Professional Qualification of B.Ed as on last date of Submission of Application.
Pay Scale: INR 44900-142400/- Per Month
Age Limit: 21-35 years.
Application Fee: Application Fee (non-refundable) in the form of a Bank Demand Draft for Rs.400/- drawn in favour of Principal, Sainik School Imphal, payable at Imphal or Bank of India, Sainik School Branch, Imphal. Application fee can also be deposited online at the School's Bank Account i.e. Bank of India, Sainik School Branch, IFSC Code - BKID0005064, Account Number - 506420110000001. Online payment receipt may please be attached with the application.
How to Apply:
Eligible candidates may apply to the Principal, Sainik School Imphal, P.O. Pangei Yangdong, Imphal East - 795114, Manipur in the prescribed format available at the school's website (https://ssimphal.nic.in) along with attested copies of certificates and testimonials, a passport size photograph, bio-data including working telephone / mobile number, e-mail ID along with a self addressed envelope with stamp of Rs. 25/-. Applications received after the due date or without supporting documents or prescribed application fee or not in the prescribed format will be rejected without any intimation.
Important Dates:
Published on: 11th August 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### GSI SHILLONG RECRUITMENT 2022 FOR 25 ORDINARY GRADE DRIVER

Geological Survey of India (GSI) Ordinary Grade Driver Recruitment 2022
Advertisement for the post of Ordinary Grade Driver in Geological Survey of India (GSI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Geological Survey of India (GSI) Recruitment 2022 Ordinary Grade Driver Vacancy 2022 details and apply online at the www.gsi.gov.in/ recruitment 2022 page.
Geological Survey of India (GSI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.gsi.gov.in/. Geological Survey of India (GSI) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Meghalaya. More details of www.gsi.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Ordinary Grade Driver
Job Location:
Rynjah, Shillong, 793006 Meghalaya
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 25 Posts (UR-10, SC-04, ST-02, OBC-07, EWS-02)
Educational Qualification:
(a) (i) Matriculation or its equivalent from a recognized Board or University. (ii) Driving license for Light Motor Vehicle (LMV) & Heavy Motor Vehicle (HMV).
(b) (i) 03 years' experience in driving of trucks, jeeps or tractors from recognized organization. (ii) Experience in repairs and maintenance of vehicle.
Pay Scale:
INR
19900-63200/- Per Month
Age Limit: Not exceeding 25 years.
How to Apply:
Application in prescribed proforma completed in all respect should reach by post to "The Additional Director General & Head of the Department, North Eastern Region, Geological Survey of India, Lambatngen, Rynjah, Shillong-793006 within 45 days from the date of publication of this advertisement in the Employment News. The detailed advertisement and prescribed application forms are available on our website: https://www.gsi.gov.in. This Job Source is Employment News 30 July - 5 August 2022, Page No.12.
Important Dates:
Published on: 23rd July 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

